থস্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লান ! পুন্সি ! মায় পাকপা !




পুন্সি হায়বসি লানফমনি। মীওইবনা হায়বনি। পোকপা-শিবা অনীগী মরক্তা থৱায় পানবা অমনা হিংলিঙৈ তৌরম্বা থবক অদুবু পুন্সি শিন্থা কৌই। পুন্সি-শিন্থা পাঙবদুবুনি পুন্সি-লানফম হায়নরিবা। লান নৎত্রগা লানফম! মদুসু মীওইবগী খুৎশেমনি। শা মশেন কৈদৌঙৈদা লান্থেংনদে। চীঞ্জাক্কীদমক, নৎত্রগা অমোম হাকন'দা শা অমগা অমগা চীক্লে, ৱাইনৈ, হাৎতোক্লে। মী মরক্তসু কনবা চাংয়েং তৌননবা য়ৈনৈ, ফূনৈ, হাৎতোক্লে। মীওইবদা লোৎলিবা শাগী মতৌ অদুনি। লান হায়বা অসিনা মীওইবনা মীওইববু নমথনবা, লোইশিন্নবা, শাদই হেন্না তমথীবা মতৌ অদু উৎথোক্লবা শেমগৎচরকপা অখন্নবা থৌরাং অমনি। লান! শাদি মখোয় মশেন মীচঙ খোম্নদুনা, কাঙলুপ অমনা অতোপ্পা কাঙলুপ অমদা কৈদৌঙৈদা লান্দাদে। চাউখৎপা মী, অশিংবা মী খক্তনি মপা-মচা, মচিন-মনাও ফাওবা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী, মীনা মীবু ওৎপা-নৈবা ঙম্নবা শক্তি অদু মুন্নবগী লান শোক্লদুনা মরাল লৈজদবা মীচম (লান্মী) মশেন হাৎতোক্লহল্লিবা। লান থেংনরিবা নাকপাক অনীদুগী মরক্তা লান ঙম্বা মীশক অদুবু কৌই- মায় পাকপা মী। লানফমদা থৱায় মাঙলবা মী, নৎত্রগা চঙজরবা লুচিংবা (নিংথৌ) অদুনা 'মায়থীরবা মী'।

মায়থীরবা মী- কনানসু ওইনিংদে। পুন্নমক্না ওইনিংই- মায় পাকপা মী। লানগী ৱা কাউথোকখি। ঙসিদি, পুন্সিসিদা মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক লানগী মশক্লি হায়রবনিনা, 'মায় পাক্লবা মী' হায়বসিগী ৱাহন্থোকসু হোংলে। থস্মোয়সিনা ঙসি পাউদম অমা তম্নিংলক্তুনা ৱাফম অসি হৌদোকচরুবনি। ঙসিগী মোদর্ন ৱর্ল্ড অসিদা 'মায় পাক্লবা মী'গী মশক তাকপদা, পুকচেল শেংনা থবক তৌখিবা মীশক অমত্তবু মশীং থাবা য়াওরক্ত্রিবা করিগীনো? অফবা মহৈরোয়, ওফিসর কয়া শেল্লকখিবা, মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক, মপুন্সিচুপ্পা কথোকপনা মসীঞ্জাং ওইরকখ্রবা ওজাদু অফবা ওজা অমনি হায়নবুদি শীংথানৈ। মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়বদুদি কনানসু হায়বীদে। ময়ুম-মকৈ কোনুংগুম্বা শা'ঙম্বা, জীপ-কার মখল কয়া খোঙনেৎনবা, সনা-লুপা, নরল-মথুম, লৌ-শিঙ ৱাৎপা লৈতা পৈ'ঙম্বা, চারোল-শুরোল কয়াফাও ৱাত্তা পাদা লৈঙম্বা মীওই লীশিং কয়ানা ময়াথংতবু ঙাইহনবা... অদুগুম্বা মীওইশিংতবু 'মায় পাক্লবা মীশক' ওইনা শীংথানরকপদগী অনৌবা মীরোল (মোদর্ন মেন) অসিগী পুন্সিরোলসু হোংলক্লে। লৈত-লায়র, তোল্লা তারবগী মতেং পাংলিবা, প্রিস্ক্রিপসন ফী লৌদনা, অনাবশিংদা হীদাক লেম্না পীরিবা ডোক্তরদুদি অঙাওবনি হায়বীনি, করেম কথায়নবীনি অদুগা, মিহুল-থাহুন য়েংলগা মখুৎ হান্না তিংথোকপা, ময়ুমদা ফার্মাসি হাংদোকপা, মথোন লোংবা মাবর্নগী য়ুমদা লায়েংবা, মরন্নাই হোস্পিটাল শা'ঙম্বা ডোক্তরদুবুদি মীনা ঈকায়খুম্ন নি। মিংথোল অমা নকপনি 'মায় পাক্লবা ডোক্তর'।

ঙসিদি 'কোর্পোরেট ৱর্ল্ড'- মায় পাকপা/পাক্তবগী চাংয়েং তৌনফম 'চায়নপুং' অমা ওইরক্লে। বিজিনেস হায়বসি মায় পাকপগী চাংদম্নফম ওইরক্লে। শেন্দোং কয়াম ফং'ঙম্বা হায়বদু খক্তনা মায় পাকপা/মায়থীবা ওন্ননবা নাপচৈনি। ঙসিদি স্কুল, কোলেজ তম্লিবা অঙাং-মহৈরোয় ফাওবা, মমা-মপাগী থৌইনশিন্দগী পরিক্ষাদা মকোক থোংবা হায়বসি মায় পাকপগী শক্তাক্লফমনি খন্নরে। লৌশিং (নোলেজ) তানশিনবদু এদ্যুকেসনগী পান্দম ওইরক্ত্রে। 'নম্বর য়াম্না ফংব'না মায় পাকপই শক্তাক্লফম ওইরক্লে।

করম্না মায় পাক্কদগে? স্কুল, কোলেজদা ওজাশিংনা তম্বীরক্তবা সবজেক্ট অমা ওইবনা, লিদরশিপ ট্রেনিং, সেমিনার, ৱার্কশোপ কয়া মমল ৱাংনা লৌদুনা পাঙথোক্লদুনা তম্বীনরে- করম্না মায় পাক্কনি? রোবিন শর্ম্মা, শিব খেরা... মায় পাকপা মী অমা করম্না ওইগদগে হায়বগী ট্রেনিং/ৱার্কশোপ পাঙথোকপখক্তদা মিল্লিনিয়র- ট্রেনর ওইরিবনি। মখোয়না ইবা লিদরশিপ-বুক মিল্লিয়ন কয়া য়োল্লিবনি। কম্পেনি, কোর্পোরেট হাউস, ওর্গনাইজেসন কয়ানা শেল, মতম অমদি ইনর্জি পাম্মুবা লৈতা থাদনদুনা মখোয়গী ৱার্করশিংদা তম্বীরি- হাও টু বি সক্সেসফুল।

অদুবু, মায় পাকপা হায়বসিবু করিনো? তশেংনা হেক নৈনরুববা-অরুবা হীরম অমদা মায় পাকপগী ৱাহন- মী অমনা হনবগা অতাপ্প'মনা হনবগা কৈদৌঙৈদা মান্নরোই। ঙসিগী পাউদমসিগী ওইনা, ইরন্নাই মোত থমজরোই। ইশামক মায় পাকপা মীকুপ অদু করিনো- হকথেংনজদ্রিবা মীশকনি। মীনা হায়নবা, ময়াম্না ঙাঙনবা ৱাফম অমত্তং থমজগে। তাবীরম্লগনি অদোমসু। তাদ্রিবা খরসু য়াওরম্লি। মখোয়দুদনি তমজরিবা। মায় পাকপা মীশক অমা ওইনবা পাম্বে অহুম লৈ।

১. কনাগুম্বই পাউতাক লৌরগা। মী খুদিংমক, মাবু পাউতাক পীবীবা মীশক অমা মথৌ তাই। অফবা এদভাইজর অমা লৈরবা, মায় পাকপা শোয়দ্রবনি। য়াইমরপ ফবা ওজা অমদা মমল হন্থনা পীরগা ইচা মহৈ তমহনবগা, খ্বাইদই ফবা ওজাদা মমল হেন্না পীরগা তমহনবগা করম্বনা পাম্বগে? পুন্নমক্না খল্লক্কনি অনীশুবা ওজাদু।

২. অকনবা শক্তি শীজিন্নরগা, নম্ফুন্দা মায় পাকপসু য়াওদবা নত্তে মীরক্তা। নিংথৌগী মী, মিনিষ্টরগী মী, অচৌ-অশাংগী মী... মখোয়না তোয়না শীজিন্নবা পাম্বৈনি-নম্ফুশক্তি।

৩. লৈজবা পাঙ্গল শীজিন্নরগা মায় পাকপা। মী খুদিংমক্কী লৈ-পূক্লিংগী পাঙ্গল (ৱিল পাৱর)। মশাদা লৈজবা পাঙ্গল, থৌনা, মরীংজেল শীজিন্নদুনা নীংজবা অমা থুংনবা হোৎনরগা, মতম চঙনা ফংখিবা 'মায় পাকপা' মহাক্কুম্বা অমনদি, মাগী ৱাহৈ অমনা মশীং থিঙমদ্রবা কয়াবুসু ইথিল পীদুনা মায় পাকপা ওইহল্লি। অশোনবশিংবু পাঙ্গল হাপ্পী। থাজবীদবরা ৱাহৈশিংসিবু?

লৌশিং পুক্কে

# মেনোপোজ, ইন্সোমনিয়ানা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং

থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবী নুপীশিং অহিং তূম্বা য়াদ্রবদি থুনা অহল ওইশিল্লকপগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

প্রোসিদিংস ওফ দ নেসনল একাদেমী ওফ সাইন্সেস এন্দ বাইওলোজিকেল সাইকিয়াট্রিদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার জুদিথ কেরোলনা হায়খি, মেনোপোজ অমদি ইন্সোমনিয়ানা নুপীশিংদা চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপদগী ঙম্তানা শিহনবা য়াই।



রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা তূম্বা য়াগন্দবা, তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা, মীৎকপ থোরক্লগা পাক হেক তূমথবা য়াদবা অমসুং অয়ুক ঙম্তানা মীৎকপ থোরকপদগী মপুং ফানা তূমহৌদবা নুপীশিং থুনা অহল ওইশিল্লকই।

ৱিমেন'স হেল্ঠ ইনিসিয়েটিব (দব্লিয়ু ঐচ আই) না চহী ১৫ চুপ্পা নুপী ৩,১০০ গী দি এন এ সেম্পলশিং নৈনদুনা য়েংবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা নুপীশিংগী ব্লদ সেল ওইহল্লকই হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্চরশিংনা অমেরিকান জর্নেল ওফ মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা নুপীশিংদা থস্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। ইষ্ট্রোজেন কৌবা হোর্মোন মখল অমগী চাং তপ্পা তপ্পা হন্থরকপদগী থাগী খোঙকাপতা অহোংবা লাকপনি। অয়াম্বা মতমদা নুপী অমনা মশাগী চহী ৪৫ শুরকপদা থাগী খোঙকাপ খম্বা হৌরকই।




অমসুং সলাইভা লৌরগা য়েংবদা নুপী খুদিংমক মেনোপোজগী মতম হেক য়ৌরকপগা সেলশিং তপ্পা তপ্পা শিথরকই হায়বা খঙলকখি। হায়রিবা নুপীশিং অদু করিগুম্বা অহিং তূম্বা য়াদ্রবদি অমুক্কা হেন্না খোঙজেল য়াঙনা সেলশিং শিথরকপদগী লায়না কয়া হায়রিবা তাঙ্কক অদুবু প্রিমেনোপোজ হায়রগা খঙনৈ। থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা মতুংদনা পোষ্টমেনোপোজ হায়রগা খঙনৈ। প্রিমেনোপোজ মতমদা নুপী অয়াম্বা হুমাং পাখৎপা, তূম্বা য়াদবা, হকচাংগী অৱুম্বা হেনগৎলকপা, ৱাখল লৈতানা খনবা ঙম্লক্তবা অমসুং নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা লৈরক্তবা অসিনচিংবা অহোংবা কয়া লাকই। অহানবদা হোর্মোনশিংনা থস্মোয়গী লায়না কয়া ঙাকথোক্লম্বা তারবসু মেনোপোজ মতুংদদি হোর্মোনগী চাং হন্থখ্রবনিনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী রিছার্চরশিংনা থাগী খোঙকাপ খমখ্রবী নুপী ৩৭৬ কী মরমদা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা সুসান ট্রোম্পেটরনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ খমখ্রবী নুপীশিংদা মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা লৈরক্তবগা লোয়ননা হকচাং নোয়থোরকই অমসুং দাইবেটিস, হাইপরটে-ন্সননচিংবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। ইষ্ট্রোজেনগী চাং হন্থখিবগা লোয়ননা ঈদা য়াওবা ট্রাইগ্লাইসরাইদকী চাং ৱাংখৎলকপদগী পুন্নমক অসি ওইহল্লকপনি।

রিছার্চরশিংনা মখা তানা থিজিনবদা নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা লৈরক্ত্রবা নুপীশিংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলক্তুনা হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, থাগী খোঙকাপ খমখ্রবী নুপীশিং মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়রি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন দিগো স্কুল ওফ মেদিসিনগী এলিজাবেথ বেরেট-কোরোনরনা হায়খি, মেটাবোলিক সিন্দ্রোমনা হোর্মোনগী খল কায়হল্লকপা মরম্না নুপীশিংবু চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ খমহল্লি। মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হায়বসি হকচাংগী অৱুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা; দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং অতৈ ফীভম খরনা পুনশিল্লগা ওইহল্লকপা থৌওংবুনি।

ইষ্ট্রোজেন হোর্মোনগী চাং হন্থরক্লবদি সেক্স হোর্মোনসু হন্থরক্তুনা নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা হন্থরকই অমসুং মদুনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লকই হায়না এলিজাবেথ বেরেট কোনরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথো-ক্লবগীদমক মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি হায়না পল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা ঙাইহাক-ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি, অফবা ৱাখল খনগদবনি অমসুং মপুং ফানা তূমগদবনি।

মীওইবনা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপগা লোয়ননা ফাষ্ট ফূদ তোয়না চাবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম ওইহল্লকপনি। পুন্সি মহিংনা থোকহল্লকপা খুদোং-চাদবশিং ঙাকথোক্লবগীদমক তঙাইফদনা পুন্সি মহিং শেমদোকপা মথৌ তাই। পুন্সি মহিং শেমদোকপা নৎতনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিং ঙাকথোক্লবা অতৈ অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈতে।

# য়ু কে, য়ু এস এগী নুপী পোলো টিম য়াওনা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে পোলো টুর্নামেন্ট হৌরগনি



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): কুমজা ১৯৭২ দা মণিপুরনা ফুল ফ্লেজেদ ষ্টেট অমা ওইখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ হয়েংদগী য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ু এস এগী নুপী পোলো টিমনা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা হৌদোক্লগনি ।

মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন'স পোলো টুর্নামেন্ট হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি টুরিজম দিপার্টমেন্টতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা টুরিজমগী সেক্রেটরি এন অশোক কুমার (আই এ এস) না হায়, টুর্নামেন্ট অসি হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ২১ ফাওবা চৎথগনি।

ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স পোলো টিম অনী য়ুনাইটেদ কিংদমদগী হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশন অমদি য়ু এস এদগী য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা পোলো টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর টুরিজম অমদি ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্কনি হায়খি।

ইন্দিয়াদা নুপীগী পোলো টিম লৈবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরগী নুপী পোলো টিম অমসু হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসি হয়েং ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি এল এম খৌতে (আই পি এস) অমসুং ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে সরতচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্কনি।

য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী নুপী টিমনা লমদমসিদা লাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী নুপী পোলো টিম অসিনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা খ্বাইদগী ইহান হানবা পোলো টিম ওইরিবনি। য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওইনা পোলোগী গভর্নিং বোদি অমা ওইরিবা হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগী পোলো টিমসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা মশান্না অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

পোলো টুর্নামেন্ট অসি হয়েং য়ু এস পোলো এসোসিএশন অমসুং মণিপুর নুপী পোলো টিমগা ওপনিং মেচ শান্নগনি। থা অসিগী ১৮ দনা হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশন য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং মণিপুর টিমগা শান্নগনি। থা অসিগী ১৯ দনা য়ু এস পোলো এসোসিএশন অমসুং হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগা শান্নদুনা খ্বাইদগী ফবা টিম অনী খনগৎতুনা থা অসিগী ২১ দা ফাইনেল শান্নগনি।

## ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও), ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা সমাধন অমদি সুবিধা সোফৱায়রগী মতাংদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্সীরৈ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা কম্মন সার্ভিস সেন্টর (সী এস সী) শিংগী ভিলেজ লেবেল ওন্ট্রপেন্যুর কয়ানা শরুক য়াখি। সমাধনগী নোদেল ওফিসর ওইরিবা পি ঐচ ভবানন্দনা সমাধন সোফৱায়র শীজিন্নবগী মতাং অমদি মসিগী মরুওইবা কয়া পার্টিসিপেন্টশিংদা তাকখি। সমাধন সোফৱায়র অসিগী মতেংনা মীখলগা মরী লৈনবা কমপ্লেনশিং ওনলাইনদা তৌবগী খুদোংচাবা লৈগনি। ওনলাইন পব্লিক গ্রিবান্সেস রিদ্রেসেল সিষ্টেম অসি নীংথিনা শীজিন্নবা তঙাইফদে। মীখলগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা কমপ্লেনশিং ওনলাইনদা তৌবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা সুবিধাগী নোদেল ওফিসর এম কুবিহৈবা মীতৈনা হায়খি, সুবিধা সোফৱায়র অসিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা রেল্লি, পব্লিক মীটিংনচিংবা শীনবগী পার্মিসন লৌবদা য়াম্না খুদোংচারগনি। পব্লিক মীটিংনচিংবা পাঙথোক্লিংবা মতমদা পার্মিসন লৌবগী থবক অসি সুবিধা সোফৱায়রগী মতেংদগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা ট্রেনি ৪০ হেনবনা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা কম্মন সার্ভিস সেন্টর কয়াগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

## মনা-মথুম য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): সঙ্গীত নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগা খুৎশম্নদুনা কুমজা ২০১৬ গী দিসেম্বর ৭ তগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪৭ শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিয়েটিব দিরেক্টরস ২০১৬ গী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, ফোইজিং নম্বোলগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি রনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## শৈরেং শৈদিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচীংগী চহী ১ চুপ্পা চথুরকপা সনা ফুদোংবা থৌরম লোইশিল্লকপগী নুমীৎ হুম্নী চথুগদবা থৌরমগী অনীশুবা নুমীৎকী শরুক অমা ওইনা ঙসি অইবশিংগী ৱারীমচা পাবা অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ককচীং চুমনাং পাৎতা লৈবা সাহিত্য সেবা সমিটি, মরিপুর, ককচীংগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী মাইবম নবকিশ্বরনা মোদরেটর ওইদুনা মশামক্লা ইজবা ৱারীমচা অমা পাথোকখি। ৱারীমচা পাখিবশিং অদুদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী মোইরাংথেম রাজেন, সনাতোম্বী থৌবাল, সলাম তোম্বা অমসুং সুধির নাওরোইবমনি।

শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরমদনা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা মোদরেটর ওইদুনা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নখি।

## য়াওরকখিবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ : বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা কাউন্সীল্লর অমদি মেম্বরশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কাউন্সীল্লর অমদি মেম্বরশিং অদু ওকখি। নৌনা য়াওরকখ্রবশিং অদুদি শামুরৌ নগর পঞ্চায়টকী কাউন্সীল্লর ঐচ ইবেমচা, ঐচ হেমাবতি, এন প্রিয়োলাতা অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং মথংশিংনা এন লক্ষ্মন, নিংথেমতোন, মনাও অমদি মতৌলৈবীনি। লৈরেঞ্জম মৈত্রাও গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান টি শকিলা, মেম্বর বিরেনসু য়াওরি। থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ, সলাম জয়সু শরুক য়াখি।

## সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে), ইম্ফাল ইষ্টকী ৯ শুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটিগী মীটিং ঙসি সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (কাউ) ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কাউগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর ডা. ইন্দিরা থৌনাওজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা কে ভি কে ইম্ফালগী সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটিগী মীটিং পাঙথোকখি। মীটিং অদু সী এ য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন প্রেমজিৎনা চ্যেরমেন ওইদুনা মীটিং অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা সী এ য়ু, ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফ রিছার্স ডা. সী এ শ্রিনিবাস মুর্ত্তি, দীন ইন চার্জ কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর ডা. এন ইবোতোনসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কে ভি কে, অন্দ্রোগী হেদ সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. টি মেধাপতিনা এন্যুএল প্রোগ্রেস রিপোর্ট প্রজেন্ট তৌখি। এস দি এ ও, ইম্ফাল ইষ্ট, এ টি এম এ, ইম্ফাল ইষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট ফিশরিজ ওফিস, নবার্দ, দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, দিরেক্টোরেট ওফ রিছার্স অমদি কে ভি কে, অন্দ্রোগী ষ্টাফশিংসু মীটিং অদুদা শরুক য়াখি। মীটিং অদুদা ৱা ঙাঙবদা কাউগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এম প্রেমজিৎনা সেন্ট্রেল এগ্রিকলরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা মহিন্দ্র সম্রিধি এগ্রি এৱার্দ ফংবগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

সী এ য়ু, ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফ রিছার্স ডা. সী এ শ্রিনিবাস মুর্ত্তিনা কে ভি কে, ইম্ফাল ইষ্টকী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. টি মেধাপতিনা প্রোগ্রেস রিপোর্ট থম্বগা লোয়ননা কে ভি কে, অন্দ্রোনা পায়খৎপা থবক থৌরাং কয়াগী মতাংদসু পাউদমখি।

কাউগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এম প্রেমজিৎনা লৌফমদা পাম্বীশিং থাদ্রিঙৈদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌনবা য়ুমথোঙশিংদা মনা-মশিং থানবা অমদি কে ভি কে, ইম্ফাল ইষ্টতা পেংবা য়োকপগী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়ু এফ ওগী রাইজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী রাইজিং দেগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না চীংনুংকোক্তা লৈবা য়ু এফ ওগী ওল মণিপুর বট্টালিয়ন হেক্কার্টরসতা পাঙথোকখ্রে।

য়ু এফ ওগী ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, য়ু এফ ওনা য়েলহৌঙৈগী চৎন-কাঙলোন, লমচৎ-শাজৎ অমদি ঐখোয়গী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌরি। ঐখোয়গী শক্তমবু ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনরিবা য়ু এফ ওগী থবক থৌরমশিং অসি শীংথানিংঙাই ওইবা অমনি। লমদমসিগী ওইবা মশকশিংবু ঙাক্লবা য়ু এফ ওনা হোৎনদুনা লাক্লি । য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপকী ৱাখল্লোন্দা থবক কয়া অমসু তৌরিবনি।

নুংশি-চান্নবা পুরক্লবা, থকশি-খাশি, থৌগল্লোন ঙাক্লা চৎনবা হোৎনরিবা অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম পোইরৈহেনবনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চীংনুংকোক্তা য়ু এফ ওগী ফজরবা মফম অসি লৈরি। মফম অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী য়ু এফ ওগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## থাঙহাই চাংদম্নবা

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ : য়ুনাইটেদ চোংথাজনা মেজর চোংথামিয়াগী ১০৯ শুবা লৈখিদ্রবগী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী কাঙলুপ মরি থোক্লা লৈতেং থাঙহাই চাংদম্নবা অমা থাঙ-তা লোয়শঙ সনাকোনুংগী মীৎয়েংখাদা থা অসিগী ১৬ তগী ১৭ ফাওবা লময়ানবা শঙলেন, কোনুং লম্পাক্তগা পাঙথোক্লগনি হায়না থাঙ-তা লোয়শঙ সনা কোনুংগী থৌবুরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কে এস য়ু সীনা য়ু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচএন এস): কাইরেম্বীখোক ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন এন্দ ক্লব (কে এস য়ু সী) না থৌবাল চোংফমদগী ফাগৎলকপা য়ু লিটর ১০০ রোম ইমা-ইবেলশিংগা লোয়ননা মীয়াম মাঙদা ঙসি মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

কে এস য়ু সীনা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা), মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা হান্নদগী চঙশিল্লকপা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং কাইরেম্বীখোক অৱাং লৈকায়গী থৌবাল চোংফমদা চথুখিবা দ্রাইবতা য়ুশিং অসি ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

কে এস য়ু সীগী সেক্রেটরি জেনরেল সুরচান্দ উশমনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা কাইরেম্বীখোক এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়াওদবা, ঈং-তপ্পা ইলেক্সন অমা ওইহন্নবগী পান্দম থম্লি হায়রদুনা এরিয়া অসিদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়াওব্রা হায়বদু কাদা, মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা য়েংশিল্লগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়াওরম্বা থোক্লগদি মদু পুন্নমক মীটিং অদুগা মরী লৈনরিবা কেন্দিদেট অদুনা থৌদাং পুগদবনি হায়রদুনা ঈ সী আইদসু চে থাগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): চীঙ্গোই লাইফম নোংমাইজিংগী কম্যুনিটি হোলদা এন ৱাই কে, কাংপোকপী অমদি চীঙ্গোই থৌগল লূপ, নোংমাইচীং অনীনা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা রেসিদেন্সিএল ট্রেনিং য়ুথ লিদরশিপ এন্দ কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন ২০ দগী নহা ৪০ রোম্না শরুক য়াখি। হীরম কয়াদা খঙ-হৈরবা ওজা কয়ানা নহাশিংদা তাকপী-তম্বীখি। ট্রেনিং অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

## দি এল ওশিংগী মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসি দি সী ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্টকী হোলদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংগী ওইবা মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে। মীটিং অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা মরমদি লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখল অসিগা মরী লৈননা ষ্টাফ অমদি এমপ্লোয়ীশিংগী দিটেলশিং কল্লেক্ট তৌবা হায়বসিনি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা দি আই ও, এন আই সী, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মথৌ তাবা ইনফোর্মেসনশিং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবদা পীখৎলক্কদবনি হায়না খঙহল্লি। এ সী টু দি সী, ইম্ফাল ৱেষ্টনা, লাইন দিপার্টমেন্টশিংনা ইনফোর্মেশিং অসি কল্লেক্ট তৌবগী তঙাইফদবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

### ৺চৈৎ/অৱাবা ফোঙদোকচবা



মীয়াম্না শকখঙ মাইখঙনরবা Academician, Politician ওইবদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক North-East Council (NE) গী মেম্বর ওইরিবা **(Late) Prof. Gangmumei Kamei** না মতম শাংনা নারক্লবা অনাবা অমনা মরম ওইদুনা জানুৱ্যারিগী তাং ৫/০১/২০১৭ গী অয়ুক পুং ০৮.১৫ রোম তাবদা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা লৈখিদরে। ঙসি তাং ১৬/০১/২০১৭ গী অয়ুক্কী পুং ০৮.০০ তাবা মতমদা কৈশামথোং কবুইগী পৈকাই (থৌবৈ) না মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অদুগা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

কৈশামথোং কবুই পৈ
কৈশামথোং কবুই, ইম্ফাল।

HL-P/0421/17